**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে।

২) অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা ঙসি রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা ভোৎ থাদনরি।

অমসুং

৩) মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগীদমক বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেসনা পাউখুম পীরকবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা খঙহনখ্রে।

**------**

মীখল (এল)ঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে। নুংথিল পুং ৪ দা ভোৎ থাদনবা লোইশিন্নগনি।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটু্যন্সিগী পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ গী পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোৎ থাদনরি। বিধান সভা কেন্দ্রশিং অদুদি- জিরিবাম, তেংনৌপল, কামজোং জিলাগী ফুংয়ার বিধান সভা কেন্দ্র, উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল অমসুং চিঙাই, সেনাপতি জিলাগী কারোং, মাও অমসুং তাদুবী, তমেংলোং জিলাগী তামৈ অমসুং তমেংলোং, নোনে জিলাগী নুঙবা অমসুং ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ অমসুং থানলোন বিধান সভা কেন্দ্রশিং অসিনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না ভোটর লাখ ৪ লিশিং ৮৪,৩৯৮ না ভোৎ থাদনরি।

আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকীদমক ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেস, নাগা পিপলস ফ্রন্ট অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ অনি পুন্না মীরেপ ৪ না লম্বা তৌনরি।

অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা রাজ্য অসিগী ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ অমসুং থানলোন বিধান সভা কেন্দ্রদনা খ্বাইদগা ভোটর মশিং য়ামদবা কেন্দ্র ওইরি। তামৈ বিধান সভা কেন্দ্রদা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৩ হাংদোক্কুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা পোল্লিং ষ্টেসন ওইরি। তাঙ্কক অসিগীদমক অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮ হাংদোক্লি। মসিগী মনুংদা উখ্রুলদা মরি, তেংনৌপলদা অহুম অমসুং জিরিবামদা অমনি।

উখ্রূল জিলাদা শান্তি ওইনা ভোৎ থাদনবা হৌখ্রে।

নোনে জিলাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদসু শান্তি ওইনা ভোৎ থাদনবা হৌখ্রে।

জিরিবাম জিলাদা কোইনা চত্তুনা পাউ লৌরিবা ঐখোয়গী পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎতগী পাউ অমুক লৌজগে।

মীখল ঃ অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা ঙসি রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা ভোৎ থাদনরি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৮৯ গী মীখল পাঙথোক্লি। পুন্না মীরেপ লিশিং ১,১৯৮ না লম্বা তৌনরি।

ভোট থাদনরিবা রাজ্যশিং অদুদি, অসাম অমসুং বিহারগী কেন্দ্র মঙা-মঙা, ছাতিসগর অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহুম- অহুম, জম্মু কাশ্মিরগী অমা, করনাতক্কী ১৪, কেরলাগী ২০, মধ্য প্রদেসকী তরেৎ, মহারাস্ত্রগী ৮, মনিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী অমমম, রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদেসকী ৮ নি।

মধ্য প্রদেসকী বেতুল লোক সভা কেন্দ্রগী মীখল অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা ভোট থাদনগদবা অদু বি.এস.পিগী মীরেপ লৈখিদবদগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা ওইনা ভোট থাদনরগনি হায়রি।

ইসিআই ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন

ওফ ইন্দিয়ানা থবক লৌখৎখ্রে।

বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেস অনিমকা ভোৎ খোন্বদা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবা, লাইনিং লাইশোল, কাংলুপ অমদি লোলদা যুম্ফম ওইদুনা ভোৎ খোমৈ হায়না অমনা অমবু মরাল শিরি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা রিপ্রজেন্টেসন ওফ দ পিপল এক্টকী সেক্সন ৭৭ কী মখাদা দলশিং অসিগী প্রসিদেন্টশিংনা মসিগী দাইত্ব ওইগদবনি হায়রি। মরম অদুনা থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা অমসুং কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ়ন খরগেনা মখোয়গী ওইবা পাউখুমশিং পীরকবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা খঙহনখ্রে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা চত্তুনা মফম অদুগী মীয়ামগা ৱারী শান্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মসিগী মথক্তা লমশাং, পাৎশোই অমসুং মোরে পুলিস ষ্টেসনশিংগী ও.সিশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারী শান্নবগী থৌরম চত্থখি। ৱারী শান্নবা অদুদা মফমশিং অদুগী শান্তি রক্সাগী ফিভম, শান্ন-খোৎনবা অমসুং মহৈ মশিং তম্বগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা কান্ননিঙাই ওইবা মওংদা ৱারী শান্নখি। অমরোমদা, উখ্রুল জিলাগী সংসক ভিলেজদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উ চারা ২০০ রোম থাখ্রে হায়রি। মোরেগী বি. বোংজাং ভিলেজদসু মোটিভেসনেল লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মেলেরিয়া (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজেস কন্ত্রোল প্রোগ্রাম ককচিংনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড মেলেরিয়া ডেগী থৌরম ঙরাং ককচিং জিলাগী কৈরকতা লৈবা সনাতোন্বী হাইস্কুলদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা মেলেরিয়া লায়নাদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা তাকপী তম্বীখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কীদমক ভোৎ থাদনবা শেম শাবগী পাউ, মাইরেল মনুংদা ড্রগ হাপ্তুনা পুরম্বা, ড্রগ ফাবা চংলবদা ফুরকপা অমদি গাড়ি মৈ থাবগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরক্কি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি ঙসি আউটরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ১৩ গী পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোৎ থাদনরগনি। লাঞ্জেন্নরিবাশিংনা ভোৎ থাদনবা স্পেসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন ৭ কী মনুংদা ভোতর অমখকা ভোৎ থাদগদবা পোল্লিং ষ্টেসন য়াওরি হায়বা হেদলাইন অসি ফোংলি।

মীখলগী শেম শাবগী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, সনালৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ হায়রিবা পাউচেশিং অসিদা ঙসি পাঙথোক্লিবা মীখলগী শেম শাবগী পাউশিং মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরক্কি।

সেনাপতি অমসুং তমেংলোং জিলাদসু ঙসি অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদবনা মরম ওইরগা জিলা অনি অসিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু মীখলগী শেম শাবগী পাউশিং তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরক্কি।

সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি নোংখাং চাইদুনা মাংগদৌরবা এফ.সি.আইগী চেং কনাদা তাইনদোইনো হায়বা ৱাহং অসিনা সব-হেদলাইন পীরগা মেন হেদলাইনদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থম্বা চেং বেগ লিশিং ২ রোম নোং নুংশিৎনা মাংহনখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা নোংলৈ নুংশিৎনা টরপোলিন হুমদোকখিবদগী জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা পৈদুনা লৈবা চেং বোরাশিং চোৎখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

য়ু.এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা পুথোকখিবা রিপোর্ট বাইয়স লৈ হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সতরনেল এফ্যারসকী মাইকৈদগী থম্লকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি দ মোর্নিং বেলদসু অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি।

মাইরেল মনুংদা পুরম্বা ড্রগশিং ফাগৎখ্রে, ড্রগ ফাবা চংলুবদা ইরাং হৌরক্তুনা জিপসি মৈ থাখ্রে, পুলিসনা নোংমৈ কাপখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদনা মণিপুরদা হেরোইন পুথোক পুশিন তৌবদা চহি নৌরিবা অঙাং শিজিন্নরে, মাইরেল মনুংদা লোৎশিল্লগা পুরকপা য়াল্লবা ব্রাউনসুপর ফারে হায়না ফোংলি। ড্রগ ফাবা অমদি ড্রগ ফাবা চংলুবদা ইরাং থোকপগী পাউ অসি ঙসি ফোংলিবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

------